ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO

Monday, June 04, 2018, Imphal



# চাগোক ফবী ষণবী পুথোকপা

**ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী**

**চাংচত্তা** মপুং ফারবা ষণবী অমনা চহী অমদা মচা অমুরক পোকই হায়না পাবা য়াই। হায়রিবা মতমসিদগী হেন্না চোন্থখ্রগদি ষণবুদা অচৌবা অমাঙবা অমা ওইরি। চাগোক ফবী ষণবী অমা ওইহন্নবা ষণবুগী থৌদাং য়াম্না চাউনা লৈ। শঙ্গোম থোকপী ষণবীদা হেন্না চাগোক লৈনবা মতম চানা হীট লাকপদা খঙদোকপীহৌবা, অফবা মখলগী ধরানা মচা লৌবিবা, হাতমশিংবু নীংথিনা য়োকপী শেন্নবীবা, অহল ওইরবা ষণবীশিং হাতম্না মতম চানা মহুৎ শীন্দোকপিবা, গর্ভ পুরিঙৈ মতম অমদি চাবোকপা মতমদা অকায়বা কয়া লাক্তনবা নীংথিনা শেন্নবীবা, গর্ভ পুবগী মতম খঙদোকপীবা, গর্ভ পুবগা মরী লৈনবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা অসিনচিংবসি তৌবীগনি। মসিগী মথক্তা ষণবুশিংনা মশাগী ষণবীগী মরমদা তৌরিবা খুদিংমক চেজনবীগনি।

ষণবুনা চেজনবীরগদি মমাঙদা মচা লৌবদা থেংনখিবা অশোয়বা কয়া অমা খঙবা ঙমহল্লি। মসিনা মথং মচা লৌদ্রিঙৈদা লায়ওং উৎখ্রিবদুগী মতুং ইন্না লায়েংবীহৌরগদি তেক্তা কায়দনা হেন্না চাবোক ফবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা মাঙজৌননা হীট লাকপগী মতম খঙদোকপা ঙমহল্লি অমদি অশোয়বা কয়া অমা ঙন্না খঙদোক্তুনা মতম চানা লায়েংবা ঙমহল্লি।

**হীট লাকপগী মতম খঙদেকপা ঃ**

অয়াম্বনা চাদা ৯০-৯৫ গী ষণবীদি মতম চানা হীট লাকই। হীট লাকপা মতম চানা খঙদোকপা ঙম্লগদি মতম চানা মচা লৌবা ঙমই। নীংথম থাগী মতমদা অয়ূক পুং ৬-৭ ফাওবগী মনুংদা য়েংবীগনি। নুমিদাংৱাইরমদনা পুং ৪.৩০-৫.৩০ গী মনুংদা য়েংবীগনি। কালেনগী মতমদনা অয়ূক্কী ওইনা পুং ৫.৩০-৬.৩০ ফাওবা অদুগা নুমিদাংৱাইরমগীনা পুং ৫.৩০-৬.৩০ ফাওবগী মনুংদা য়েংবীগনি। হীট লাকপগী মতমসি পুং ১৬-২৪ ফাওবা ওইগল্লি। হীট লাকপা লোয়বগা মতুং পুং ১০-১৪ গী মনুংদা ওভরীদগী মরূ থোরকই। হায়রিবা মতমসিদা মচা লৌবা য়াই। হীট লাকপগী মওং মতৌসি অঙনবদদি কয়া উবা ফংদে। অদুবু মওং মতৌ খরা হায়রগদি অতোপ্পা ষণগা লৈমিন্নরগদি অতোপ্পা মনাক নকপা ষণদা মনম নম্বা, চোঙখৎপা, খোংবা, চানীং থক্লিংদবা, মপান্থোংগী শরুক্তা ঙাংশিল্লকপা অমদি পোমতক তৌরকপা, মচুম তারকপা, পুং ৬-৮ লৈরবা মতুংদা অমুক ষণবীদু হীট লাকপগী মওং মতৌ শেংনা উবা ফংগনি। মসিদগী ষণবীদু লেংদনা লেপ্পগা লৈবা উগনি। মসি পুং ১৪-১৬ ফাওবা লৈগনি। হায়রিবা মতমসিদদি খোংবা, চানীং থক্লিংদবা মপান্থোংদগী মচুম তারকপা, শঙ্গোম থোকপগী চাং হন্থরকপা অসিনচিংবা উগনি। করিগুম্বা মতমদা চাবোক থোঙদগী ঈ য়াওবা মচুম তারকপসু থেংনগনি। নুমিৎ ২-৩ গী মমাঙদা হীট লাকখ্রে হায়না লৌবীগনি। মরম অসিনা ষণবুনা নুমিৎ ১৯-২১ গী মনুংদা



হীট অমুক লাকপ্রা হায়না চেকশিন্না শেন্নবীগনি।

**মচা লৌবগী মতম ঃ**

মচা লৌবগী মতমদসু ঙন্না মচা লৌবা নৎত্রগা থেঙনা লৌবসিনা মচা ওইবা ঙমহন্দে। মচা লৌবগী মতম অমদি অফবা মখলগী মরূ (সিমেন) না তেক্তা কায়দনা মচা ওইবা ঙমহল্লি। মচা লৌবা য়াবগী মতমসি হীট লাকপা লোইরমদাই পুং ৮ ৱাৎলিঙৈদগী মচা লৌবা য়াই। চৎনবী অমা ওইনা অরাইবা মওংদা ষণবী অমনা অয়ূক অঙনবদা হীট লাকপগী মওং মতৌ উৎলক্লগদি নুমিদাংৱাইরমদা মচা লৌবা য়াই। অসুম্না নুমিদাংৱাইরমদা হীট লাকপগী লায়ওং উৎলক্লগদি মথং নুমীৎকী অয়ূক্তা মচা লৌবা য়ারে। অফবা ফল লাক্লবগীদমক্তা মচা লৌবা মতমদা অনীরক লৌবীহৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। করিগুম্বা মতমদা মচা কাপ্পদা অশোইবা কয়া য়াওদুনা মচা ওইবা ঙমদবা য়াওদবা নত্তে। মরম অসিনা মচা কাপ্পীরিবা খুদিংমক্লা মফম চানা মতম চানা অমদি নিয়ম চুন্না কাপ্পীগনি।

**মতম চানা গর্ভ পুবা খঙদোকপাঃ**

মচা লৌখ্রবা মতুং নুমিৎ ২১ নি লৈরগা হীট লাক্ত্রগদি গর্ভ পুরে হায়না লৌবা য়াই। অদুবু হেন্না কনফার্ম তৌনবা মনাক নকপদা লৈবা ভেটিরিনরি ডাক্তর অমগা তানবীবা য়ারে।

**গর্ভ পুরিঙৈ, মচা পোকপা মতম অমদি লোইরগা ষণবুনা চেকশিনবীগদবশিংঃ**

- ষণবীনা গভ পুরবা মতুং পোক্লমদাই থা অহুম ৱাৎলিঙৈ মতমসিদা নীংথিনা পী-পীথক তৌবীগনি। হায়রিবা মতমসিদা ষণবীগী মবুক মনুংদা লৈরিবা মচাসি য়াম্না থুনা চাউখৎলকই। মতমসিদা শঙ্গোম য়াম্না থোকপী ষণবীদনা মফোনগী শরুকসি নোংমদা কে জি ১.৫ দগী ২গী চাংদা পীজবিগনি। অদুগা শঙ্গোম হন্থনা থোকপী ষণবীদনা মফোনগী শরুকসি নোংমদা কে জি ১দগী ১.৫গী চাংবা পীজগনি।

- শঙ্গোনদা অতোপ্পা ষণ খরগা পুন্না থমিন্নরবদি গর্ভ পুরবী ষণবীদু মচা পোক্কদবা নুমীৎ ১৫নি ৱাৎলিঙৈদগী অতোপ্পা মফম অমদা তোঙান্না থম্বীগনি।

- মচা পোকপা মতমদা করিগুম্বা অশোই অঙাম য়াওরগদি মনাক নকপা ভেটিরিনরি ডোক্টর অমগা তানবীগনি।

- নাওফম থুনা তারক্লবা মচা পোকপা হেক লোইবগা ষণবীদু লুম্বু লুম্বু শাবা ধনা পীজবিগনি অমদি ষণনাওদু মখোম পীথক্লবা হোৎনবীগনি। নাওফমসি মচা পোকখ্রবা মতুং পুং ৮-১০ ফাওবগী মনুংদা তাগল্লি। হায়রিবা মতমসিদা করিগুম্বা নাওফম তারক্ত্রগদি মনাক নকপা ভেটিরিনরি ডোক্টরগা তানবীগনি।

- নাওফম তারক্তবগী লায়ওংসি ঙন্না লায়েংবিহৌদ্রবদি ষণবীদুনা মথঙগী মচা পোক্লবা মতুংদা হীট লাকপগী মতম থেঙথহল্লি। মসিনা মচা লৌবগী মতমসু থেঙথহল্লি অমদি করিগুম্বা মতমদা লাইবক থীদুনা মচা ওইনবগীদমক হন্না-হন্না মচা লৌবসু য়াওদবা নত্তে। হায়রবশিংসিগীদগী ঙাকথোক্লবা ভিটামিন-এ, দি, ঈ অমদি মিনরেল গর্ভ পুরিঙৈ মতমদা পীজহৌবা য়াম্না দরকার ওই।

- মচা পোকখ্রবা মতুংদা করিগুম্বা ষণবীসি ঙন্না হীট লাকপসু য়াওই। অদুবু মচা পোকখ্রবা মতুং নুমীৎ ৪৫নিদি মচা লৌবীদবনা হেন্না ফৈ। মরমদি ষণবীগী মচাখাওদু মতমসিদা নোর্মেল হায়বদি হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লবনি।

- গর্ভ পুরবা মতুং পোক্লমদাইগী নুমীৎ ৬০-৮০ ফাওবদি শঙ্গোম শুম্বীরোইদবনি। মসিগী মতমসিদা ষণবীগী অরুম্বসি হান্নদগী কেজি ২০মুক হেনগৎলকই। অমদি মসিগী মতমসিদা শঙ্গোম পুথোক্লবগীদমক ম্যামরী টিস্যুশিংসি অমুক হন্না নৌনা শেমগৎলক্তুনা মথঙগী চাবোক্তা হেন্না শঙ্গোম থোকহল্লি।

অফবা মখলগী মচিঞ্জাকশিং মতম চানা পীজ-পীথক তৌবিদুনা লূ-নান্না শেন্নবীদুনা অমদি অফবা মখলগী মরূনা মচা লৌবীহৌরগদি হেন্না চাগোক ফবী ষণবী অমা ফংবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা শঙ্গোম হেন্না পুথোক্তুনা শেন্দোং লৈবদু ঙমহল্লি।


# ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটতা ফংলিবা ঙাশিং অমদি মখোয়বু মাঙখিগদৌবদগী কলহৌনবা উপাই

**ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ সিংহ**


**ইন্দিয়াগী** নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটতা ফংলিবা ঈশিং ঈচুমদা লৈবা হৈনবা ঙাগী মশীং অসি অসুক্কী মতিক য়াম্মী। লমদম অসিদা লৈরিবা তুরেলশিং অসি মরুওইনা ঈশিং ঈচেল অহুমগী মনুং চল্লি। মখোয়শিং অদুদি (১) বরাক-ব্রহ্মপুত্র (২) কালাদান অমসুং (৩) চিন্দৱিন অসিনি। মফমশিং অসিদগী অনৌবা ঙা চাম্মরোম হেন্না লৈবাক অসিগী বৈগ্যানিকশিং অমদি অতোপ্পা লৈবাক্কী বৈগ্যানিকশিংনা পুথোকখ্রে অমদি চিন্দৱিনগী ঈশিংদা ফংবা ঙা নিফুমাথোই অতোপ্পা মফমদা ফংদে হায়বা খঙবা ঙম্লে। মসিদসু নত্তনা ব্রহ্মপুত্রগী ঈশিংদা ফংবা ঙা কুনতরেৎ অতোপ্পা মফমশিংদা ফংদে হায়বসু খঙবা ঙম্লে। কালাদানগী ঈশিংশিংদি হৌজিক ফাওবা ফজনা থিজিনবা ঙমদ্রি।

মথক্তা পঞ্জরিবা ৱাফমশিং অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা প্রোফেসর ওইনা লৈরিবা ৱাইখোম বিশ্বনাথনা কুমজা ২০১৭তা ফোঙখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্ননি। কালাদানগী ঈশিং অসিদা ঙা মখল চনিরোম লৈরমগনি অমদি ঙা মখল কুনমুক অমদি অতোপ্পা মফমশিংদা ফংদবা ঙা মখল ওইগনি হায়নসু পানরি।

প্রোফেসর বিশ্বানাথনা কুমজা ২০১৭তা ফোঙখিবগী মতুং ইন্না অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা ঙা মখল ৩১৮ ফংই। মখোয়শিং অসি জেনেরা ১১৩গী মনুং চল্লি অমদি ফেমিলিনা ৩৬নি। ঙা মখল ২২৯না ব্রহ্মপুত্রদা তাবা ঈশিংদা ফংই, ১০৩না চিন্দৱিন্দা তাবা ঈশিংশিংদা ফংই অমসুং ২৭না কালাদানগী ঈশিংশিংদা ফংই। লমদম অসিদা ফংলিবা ঙা মখল অমা ক্রিটিকেল্লি ইনদেঞ্জর ওইরে, ঙা মখল তরাহুমদোইনা ইনদেঞ্জর ওইরে অদুগা ঙা মখল কুম্ভ্রামরিনা ভলনরেবল







ওইরে। লিষ্ট কন্সর্ন অমদি ইভালুএসন তৌদবা ঙাগী মখলসু অসুক্কী মতিক য়াল্লি। ইভালুএসন তৌদবগী মরুওইবা মরম্না থিজিনবা ৱাৎপগী দেটা ফংদবননি। মরম অদুনা ঙাগী মরমদা থিজিন হুমজিনবগী থবকশিং অসি লমদম অসিদা অসুক্কী মতিক দরকার ওইরি।

নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া অসি লৈবাক্কী ওইবা পৱার হাওসনি হায়না হায়নরি। সেন্ট্রেল ইলেক্ট্রিসিটি ওথোরিটিনা হায়বগী মতুং ইন্না ব্রহ্মপুত্র তুরেলদা প্রোজেক্ট ১৬৮ পায়খৎতুনা ৬৩,৩২৮ মেগাৱাটকী ইলেক্ট্রিক পৱার পুথোকপা ঙমগনি। তৌইগুম্বসুং দাম কয়া তুরেলশিংদা শাবনা মরম ওইদুনা ঙা মখল কয়া মাঙখিবা য়াবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। খুদম ওইনা হায়রবদা ইথাই বরাজনা মরম ওইদুনা ঙা কয়া তুরেলশিংদা কারকপা ঙমদবনা মরম ওইদুনা অমদি ঙা কয়াগী মরূম কোকফম মাঙহনখিদুনা ঙা কয়াগী মশীং হন্থরক্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা পেংবা, ঙাতোন, শারেংখোইবীনচিংবা ঙা কয়া মণিপুরগী ঈশিংশিংদা মরাং কায়না মতম অমদা ফংলম্মী। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মশীং অসি মহৌশাগী ওইবা ঈশিংশিংদা অসুক্কী মতিক হন্থরক্লি। ঙাগী বাইওদাইভর্সিটিদা শোকহনবা য়াবা অচৌবা প্রোজেক্ট খুদিংমক মনীং-মখা তৌবা অমদি ত্রান্সপরেন্ট ওইনা পাঙথোকপা ইনভাইরোনমেন্টেল ইম্পেক্ট এসেসমেন্টকী দরকার ওই অমদি হান্না শাখ্রবা দামশিং অসিসু চেকশিন্না য়েংশিনবা দরকার ওই।

নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াদা ফংলিবা ঙাশিং অসিগী কলহৌনবা হোৎনহৌদ্রবদি ঐখোয় পূন্নমক্কী ওইবা অচৌবা অমাঙবা ওইরগনি। মরম অদুনা য়াম্না থেংথদ্রিঙৈদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা দরকার ওই। হায়রিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসি লৌখৎনবগীদমক বৈগ্যানিকশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিং, লৈঙাক্কী অমদি লৈঙাক্কী নত্তবা লোইশঙশিং পূন্না খন্ন-নৈনদুনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎপগী দরকার ওইরি। থৌরাংশিং অসিগী মখাদা মীচম মীয়াম খুদিংমক্লসু মাঙশিল্লক্লিবা ঙাশিং অসিবু কনবগী দরকার ওইবা অদু খঙহনবা মথৌ তাই।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা অমনা ঙাগী মখল খেন্নবগী মতুং ইন্না ঙাগী কান্নবা অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। খুদম ওইনা হায়রবদা চাননবা ওইনা শীজিন্নবা, লৈতেংগী ওইনা শীজিন্নবা, শান্নবগী ওইনা শীজিন্নবা অমদি হীদাক ওইনা শীজিন্নবা অসিনচিংবনি। হায়রিবশিং অসি মীওই খুদিংমক্তা শুগাইনা খঙহনবসু মথৌ তাই।

# ৱাইশেল মরীনগী হৌজিক ওইরিবা অশেংবা শক্তম (২)

**নাওরেম দেবান মঙাং**

**ঈশিং-ঈরমসিনা** ঙানপ্পী থোং তম্না লাকপদা ঈচেলসিবু থিংলিবা ব্লোকেদ কয়ামুক ফাওদুনা লাকপসিনা থৌদা ভাবোক লৈকায়গী খারোমগী অরোয়বা শরুক্তা শগোলবন্দ কেন্দ্রলোমদগী য়াল্লবা ঈশিংগী শরুক অমা কৈশামথোং কেন্দ্রলোমদা চেনশিল্লকই। হায়রিবা ঈশিং ঈরমসিবু ‘লাইরম’ হায়না খঙনৈ। লাইগী ঈরমনি হায়বগী ময়েক লারবা খুদম অমনা ৱাইশেল মরীনসিবু কোনবিরিবী ‘ইমা হাওরকচান্বী’ গী খুভম লৈরিবা শগোলবন্দ কেন্দ্রগী মফমসিদগী টিদ্দিম রোদ ফাওরগা চেল্লকপা ঈচেলনি। মসিদা লাক্লিবা ঈশিং অসি শগোলবন্দ কেন্দ্রসিগী মরু ওইনা (১) খ্বাইরাকপম লৈকায় (২) থিঙ্গোম লৈকায় (৩) সয়াং এরিয়া অমসুং (৪) তখেল্লম্বম লৈকায়নি। মফমসিগী টিদ্দিম লম্বীগী হেক মমাঙদা খারোমদা লৈবা ক্বাকৈথেল, থোকচোম লৈকায়রোমদগী অৱাংরোমদা চেনখৎলকপা ঈরম অমা লোয়ননা থৌদা ভাবোক লৈকায়গী মনিং থংবা শরুক্তগী চেনশিল্লকপা নলাশিং অসিনা পুল্লগা নোংপোকলোমদা লৈরিবা লাইরমগী ঈশিং লম্বী অসিদা পূন্না চেনখিদুনা সোসিএল ৱেলফ্যের ক্লবকী ওফিস ময়াদা লৈরিবা ‘লাইরমগী - উকু’ হায়না খঙনরিবা উকুসিদা ফাওদোরক্লগা অৱাংলোমদগী লাক্লিবা ঈরমসিগা পুল্লগা ঙানপ্পী থোং তম্না চেন্থখিবনি।

অসুম্না ঙানপ্পীথোংদগী খা পাংনা চুম্না মোইরাং পুরেল লৈকায়গী খাগী অরোয়বা শরুক্তগী মনিংলোমদা থেকখিদুনা কৈশামথোং কেন্দ্রগী অরোয়বা শরুক ওইরিবা লাইশ্রম লৈকায়গা নাওরিয়া পাখংলাকপা কেন্দ্রগী ইরোম লৈকায়দা শম্নরিবা উকুসি ফাওরবা মতুংদা নোংচুপলোমদা মতেক খরা চেন্থরম্লগা অমুক খারোমদা লাক্লবা মতুংদা নোংচুপ পাংনা ইরোম লৈকায়গী কৈথেল তম্না চেল্লক্লগা অমুক হন্না খারোমদা অমুক থেকখ্রগা ইরোম লৈকায় অমসুং লাইশ্রম লৈকায়গী লাই হরাউফম মমাঙগী উকু অসি য়ৌরম্লবা মতুংদা মনিংলোমদা য়াম্না পাক চাউনা চেন্থখিদুনা ‘ইবুধৌ নোংশাবগী’ খুভমগী হেক মমাঙদা লৈরিবা উকুসিদা অমুক চেন্থখিদুনা ‘ইমা শন্দ্রেম্বী-চৈশ্রা’ গী খুভম পাংলক্তুনা মোংশাঙ্গৈগী ক্লব-কৈথেল তম্না ৱাইশেল মরীন অসি চেন্থরকই।

ৱাইশেল মরীনগী ঈশিং ঈরম অসি লাইগা শম্নবা ঈশিং ঈরম অমা ওইবনা ঈরমসিগী ফননবা শেমগৎনবগীদমক চহী কয়াদগী লৈরক্লবা ‘দি ৱাইশেল মরীন শেমগৎপা লূপ’ হায়বসিনা স্পোন্সর তৌরগা ইরমসিদা লোং খোন্দুনা, ঙা ফারম্বগী ৱারীদা লৈরম্লবা লমদমসিগী ইপা-ইপুশিংনা ফুঙ্গা ৱারী ওইনা য়ূমথোং খুদিংগী লীবিরম্লবা ‘শন্দ্রেম্বী-চাইশ্রা’ গীদমক ওইনা অখন্নবা লূপ অমা লিংখৎপীরম্মী মদুদি ‘ইমা শন্দ্রেম্বী-চাইশ্রা সেলেব্রেসন-কম্মিটি’ হায়না কৌই। মসিনা ঈরমসিবু ফনবা লম্বীদা শেমগৎ শাগৎলকপদা য়াইফ-থৌনিজদুনা থবক-থৌরম কয়া পাঙথোক্লকই। মসিবু ময়েক লানা মীয়াম অমদি লৈঙাক্লোইশিংদা খঙনবগীদমক হৌখিবা চহী ২০১৬ ইংগী টেবল-কেলেন্দর অমা লূপসিনা ফোঙখিবদসু উত্তুনা খঙহনবসু লৈখ্রে। হায়রিবা ইমা অনীগী খুভম অসি লাই ওইখ্রবা নাওরিয়া পাখংলাকপা কেন্দ্রসিগী মতম অমদা ওনরেবল এম এল এ ওইবিরম্বতা নত্তনা কোওপরেসনগীসু ওনরেবল মন্ত্রি ফাওবা ওইবিরম্লবা শ্রী এ কে লানঙম (রঞ্জিৎ) ময়াম্না ‘পাইলোৎ লানঙম’ হায়না খঙনরম্বনা খুভম অসি থম্বীরম্বনি। হৌজিকসু ওনরেবলগী লোয়নবী শ্রীমতি এ কে শান্তি লৈমনা সেলেব্রেসন কম্মিটিগী এদভাইজর ওইনসু শেন্নবিরিবনি।

মতৌ অসুম্না ৱাইশেল মরীনসিগী মতাং অসি য়ৌরকপদদি নাক য়েত্তা লৈরিবা লৈকায় কয়ামুক্কী ঈরম নলাশিংনা মথং-মথং ঈরমসিদা তিল্লক্তুনা মোংশাঙ্গৈ এরিয়াসি য়ৌরকপদদি ৱাইশেল মরীনসি ‘ৱাইশেল তুরেল’ হায়নসু কৌনরক্লে। ঈরমসিনা চুম্না শুম লাকপনা ক্লব কৈথেলগী মমাঙদা লৈরিবা পীক্লবা উকুসি ফাওরগা অমুক খা পাংনা চুম্না চেন্থখ্রগা ‘পিলো লাইব্রেরি’ মনাক্তা লৈরিবা ঈরমসিগা মতিক মপা চানদ্রবা উকুসি অমুক ফাওদুনা নোংচুপ পাংনা উ-ৱা কয়াগী মরক্তা লাক্লগা শাংলবা ঈরম অমা শেমদুনা এয়রপোর্ট তম্না চেন্থরকই। মফমসি য়ৌরকপদদি ঈরোং অহুম ফাংদুনা খারোমদা নিঙোম্বম তম্না চেন্থখি। অহানবদা, অৱাংলোমদগী পাৎশোই কেন্দ্রগী ঘড়ীগী লৈকায় অহুমগী ঈশিংগা লোয়ননা তাওবুংখোকলোমদগী, চঙাঙ্গৈরোমদগী অমদি সঙাইপ্রৌনচিংবা কয়াদগী লাকপা ঈশিংনি, লোয়ননা ইম্ফাল কোলেজরোমদগীসুনি। অনীশুবদা, মমাঙরোমদগী মোংশাঙ্গৈরোমদগী লাকপা ৱাইশেলগী মেন ষ্ট্রিমদগী লাকপা ঈশিং। অহুমশুবদা, নিঙোম্বম তম্না চৎখ্রিবা ঈশিং ঈচেল অহুমসিগী ঈরোংনি। অসুম্না, ঈরোং অহুম ফাংলম্বসিদগী য়াল্লবা ঈশিংশিং অসিনা ৱাইশেলগী ঈচেলবু অমুক্কা হেন্না চাওখৎহন্দুনা থেক্লা কোয়না চেন্থরক্লগা নিঙোম্বম খুলগী ম্যেন রোদকী আর সী সীগী থোং অমা ফাওদুনা লাক্লবা মতুংদা খা পাংনা অসুম চেন্থখিদুনা মেকোলা মমাঙগী শরুক্তা চেল্লক্লবা মতুংদা হিয়াংথাং মনিংদা লাক্লগা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রদা লৈরিবা ইরোম মৈজ্রাওগী মমিং লৈরবা অমদি ‘দি ৱাইশেল মরীন শেমগৎপা লূপ’ কীসু রুরেল এরিয়াগী ক্লব মেম্বর ওইরিবা ‘দি য়ং য়ুনিয়ন ক্লব’ কী হেক মমাঙমক্তদা লৈরিবা ম্যেন রোদসিগী আর সী সীগী থোং অসি ফাওরগা খারোমদা অসুম চেন্থখিদুনা নম্বোল কেন্দ্রগী থৌনাওজম, পুখ্রম্বম অমদি খা-শঞ্জেনবম অমসুং ৱাহেং খুমন তম্না লাক্লগা ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী ‘শান্তিপুর’ খুল হেক য়ৌরবা মতুংদা লোক্তাক পাৎতা দাইরেক্ট ওইনা ৱাইশেল মরীন নৎত্রগা ৱাইশেল তুরেল অসি তাখ্রিবনি।

মতাংসিদা, হৌজিক লৈরিবা ৱাফমদি হান্নদি পুং ২-৩ রোম নোং তারম্বদগী হৌজিক্লা শুপ্নতগী পুংখায় অমতমক হেক চুরকপদা ৱাইশেল ঈরম অসিগা হকথেংননা লৈরিবা কেন্দ্র ৭কী লৈকায় কয়ামরুমদা থোরক্লিবা খূৎশেমগী ঈশিং-ঈচাউ অসিনি। ইরোম মৈজ্রাওগী হেক মখাদা লৈরিবা থৌনাওজম, কোন্থৌজম অমদি খা সঞ্জেম্বম লোমদা লৈরিবা মমাঙঙৈগী মতমদা পাল্লম্বা লৈঙাকশিংনা শিন্দুনা মাইনর এরিগেসন দিপার্টমেন্টকী খূৎথাংদা ঈশিং থিংগৎপগী অমদি থাদোকপগীনি হায়রিবা সট্টর কয়ামুক পাল্লবা বরাজশিং অসিনা চুম্না মথৌ নিংথিজনা তৌরক্তবদগী নৎত্রগা থৌশারক্তবদগী নৎত্রগা হৈরক্তবদগী থোরকপা খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউসু ওইরি। নোংজুথা ময়া য়ৌরকপদা তারকপা নোংগী ঈশিংবু বরাজশিং অসিগী সট্টরশিংনা মখাদা লৈরবা ফাওবদা মীওই কয়ানা সট্টরশিংগী মথক্তা লৈবাক, লৈঙোয় বোরা কয়াবু থোনগৎতুনা উচুক কয়ানা ঙাক্লগা লৌবুক্তা ঈশিং শীজিন্নবা থম্লম্বা ফীভমসিনা নোংজুথাগী নোংজু লাক্লবা ফাওবদা লৌথোকপীরমদনা থম্লম্বা ফীভম কয়াসিনা মমাঙগী হেক থংনরিবা ইরোম মৈজ্রাও, নিঙোম্বম ফাওবা ঈশিং থুমজিল্লক্লিবা অসিনি। অসিগুম্বগী পিকচর অসিমক লূপসিগী কুমজা ২০১৬তা ফোঙখিবা টেবল কেলেন্দরদুদসু লূপসিগী ক্লব মেম্বর ওইরিবা ইরোম মৈজ্রাওগী ‘দি য়ং য়ুনিয়ন ক্লব’ কী জেনরেল সেক্রেটরি য়াওনা মরুওইবা থৌ পুরিবশিংগা লোয়ননা লৈকায়গী অহল-লমনশিং ফাওবা য়াওদুনা ঈশিং ফাথবগী ফোটো ফাওবা উৎখ্রবনি।

মথংগী ইস্যুদদি ৱাইশেল মরীন অসিগী ম্যেন ষ্ট্রিমদা ঈচেলবু থিংলিবা ব্লোকেদ কয়ামুকপু পুথোক্তুনা অমুক খঙমিন্নসি। হৌজিক্কী শক্তমসিনা টিদ্দিম রোদকী মমাঙদা লৈরিবা ৱাইশেলগী শক্তমনি। অসিদা নত্তনা টিদ্দিম রোদকী নোংচুপলোমদা লৈরিবা ৱাইশেলগী শরুক অমসু ওইরিবা ঈরম কয়াগসু শাগোন্ননা চৎলিবা ৱাইশেল মরীননি। অদুননি, কেন্দ্র ৭কী মীয়ামসিনা চহী ২০-৩০ মুকসি চহী অমদা ৪-৫ মুক খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউ থোক্তুনা ৱানা খাঙলক্লিবসি। হৌজিক ফাওবা কেন্দ্র ৭সিদা লৈরিবা মীয়ামগী মীহুৎনি হায়রিবা এম এল এশিং অমত্তনা থৌশাবিরক্তবা অমদি তৌফম খঙদদুনা ককঙাওনদুনা লৈরকপগা লোয়ননা ভোটকী ঙাক্তা খল্লগা চেঙ-চিনি, থাউ-থুম অমদি ফিরোলনচিংবা কয়া য়েল্লগা পোলিটিক্স তৌরিবনি হায়দুনা লৈরক্লিবসিদি হৌজিক্কী মতমসিগী কম্প্যুটরগী খোঙথাং অসিগা য়াম্না চান্নরক্ত্রবা অমদি হন্থবা থাক্তা লৈরবা সব ষ্টেন্দর ওইরক্লবা অমদি অফবা পোলিটিক্সকী ক্বালিটি অমত্তা য়াওদ্রবা মীয়ামগী ওইদ্রবা থাক অমদা লৈরবনি। মসিনা তাক্লিবদি হৌখিবা এসেমব্লিগী সেসন কয়ামুক্তা ষ্টেটসিগী ওইনা ঈশিং ঈচাউশিং কয়া থোক্তনবগী ৱাফম খন্নরকপদা কেন্দ্র ৭সিগী মীহুৎনি হায়না লৈরিবা এম এল এ অমত্তনা ৱাইশেল মরীন্দা ইতৎ তত্তনা থোক্লিবা খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউসিনা লম্বী-থোং, এঞ্জাং-নাপি, য়ূম-কৈ অমদি মাল-চাং কয়ামুক মীয়ামসিগী মাঙহল্লিবা অসিগী মরমদা নোংমতা ফাওবা মণিপুর এসেমব্লিদা পুখৎতুনা খন্নখিদ্রি। মতাংসিদা মীয়ামগী অৱাবা হায়ববু ৱাইশেল মরীনসিদগী লায়না তীলনা কয়ামুক থোরকপগী মনুংদা ৱাইশেলগী ঈরমদগী থোরকপা কাকফৈনা চিকপদগী পাৎশোই কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা তাওবুংখোক অৱাং লৈকায়দগী চরোইবম রামেশচন্দ্রগী হৌজিক লৈহৌরিবা য়েংহৈদ্রবা পুন্সি মরেল অসিনি। পীকচর অসিসু কুমজা ২০১৬কী লূপসিনা ফোঙবা টেবল কেলেন্দরদা ফোটোগা কোন্ননা হাপখ্রবনি।

পূন্নমক অসি য়েংলগা কেন্দ্র ৭কী মীহুৎশিংনা পায়খৎপা ঈচাউ থোক্তনবগী থবক হায়ববু লৈকায় লৈকায়গী ঈরম-নলাশিংদা অশেংবা অমদি অচুম্বা মওংদা দিমার্কেসন অমত্তসু তৌদনা মাগী মাগী ভোট ফংনবনি হায়দুনা চেক অমদি নূংনা অষ্টর তৌশিল্লগা রেটেন্নিং ৱাল চনবা অমসুং জে সী বি মেছিন পুরক্তুনা কেন্দ্রশিং অদুখক্তদা ফত্ত-হৌদিশিং লৌথোকপা নত্তনা অতৈ উপায় অমত্তা লৈত্রি হায়বা য়াই। অদুনা, কেন্দ্র ৭সিদা লৈরিবা ঐখোয় মীয়ামসিনা অদুক্কী মতিক চাউখ্রবা হায়দোকপদদি লায়বা অদুগা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনরকপদদি (খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউ থোক্তনবা) অদুক্কী মতিক লুরিবা মদুদি ৱাইশেল মরীন্দা খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউ থোক্তনবা হায়বসিগীদমক কেন্দ্র ৭সিদা মীহুৎ ওইনা লাক্কদবা কনাগুম্বা অমবু শৌগৎতুনা মীহুৎ ওইনবা হোৎনহৌবা অসি নত্তনা অতৈ উপায় অমত্তা লৈরক্তরে। মতাংসিদা পলহৌবা য়াবদি মণিপুরদা লৈবা কেন্দ্র ৬০সিগী মনুংদা থা কাংদনা নোং হেক চুরকপগা খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউ থোকপসিদি ৱাইশেন মরীন্দা লৈবা কেন্দ্র ৭ অসি নত্তনা লমদমসিদা লৈত্রি।